খেলো ইন্দিয়াদা মেদল ফংলবা শান্নরোয়শিং লৈঙাক্লা থবক্কী খূদোংচাবা পীরগনি : অনুরাগ থাকুর

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০৬ (এজেন্সী):
খেলো ইন্দিয়া গেমসতা মায় পাক্লুনা মেদল ফংলল্লবা শান্নরোয়শিংদা লৈঙাক্লা থবক তৌবগী খূদোংচাবা পীরগনি হায়না যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ স্পোর্টস অনুরাগ সিংহ থাকুরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অনুরাগনা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লম্বু চাউখৎনবা অমসুং শান্নববু করিয়র শেম্বগী লম্বী অমা ওইহনবা ঙম্নবা হোৎনরিবা অসিগী মতুংইন্না খেলো ইন্দিয়াদা মেদল ফংবা ঙম্লবা শান্নরোয়শিংদা থবক তৌবগী খূদোংচাবা পীনবা খোঙথাং অসি লৈঙাক্লা লৌখৎপনি। মসিগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংগা ইন্দিয়া স্পোর্টসকা খূৎশম্নরগা শান্নরোয়শিংনা লৈঙাক্কী থবক চঙবগী ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া অদুসু কুপ্পা য়েংশিন্দুনা শেমদোক-শেমজিন তৌরে।

মহাক্লা হায়, লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি খেলো ইন্দিয়াগী য়ুথ, য়ুনিভর্সিটি, পেরা অমসুং ৱিন্টর গেমস কোনশিনবগা লোয়ননা মসিগা মান্নবা অতোপ্পা শান্নবগী থৌরম কয়াসু কোনশিনগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপদা মতেং চাওনা ওইহন্দুনা ইন্দিয়াবু স্পোর্টসকী লম্দা মালেমগী লৈবাকশিংদগী মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়খি।

খোঙথাং অসিনা স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা মনা ফংলল্লবা মীওইশিংদসু খূদোংচাবা অসি পীগনি হায়রি। লোয়ননা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল ইভেন্টশিংদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুরবা মীওইশিংদসু খূদোংচাবা অসি পীগনি। শান্নরোয় অমনা খূদোংচাবা অসি ফংবা য়ারে হায়বগী সর্টিফিকেট অমসু নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগী সেক্রেটরি, ষ্টেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরিশিং অমসুং দিন ওফ স্পোর্টস ওফিসর ওফ য়ুনিভর্সিটিদগী লৌথোকপা য়ারগনি হায়খি।

জিরিবামদা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌরগা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট ৫-এসাইদ মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ হৌদোকখ্রে।

এ জে এস এগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ওপনিং মেটচতা সী কে সী (বি) চীংদোং লৈকাই অমসুং ঈ ৱাই সী চন্দ্রপুরগা লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী ওইনা সী কে সী (বি) চীংদোং লৈকাইনা টোস ঙমদুনা বোল কাওবা হৌখি। অদুগা ঈ ৱাই সী না মায়কৈ খন্দুনা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ঈ ৱাই সী চন্দ্রপুরনা সী কে সী (বি) চীংদোং লৈকাইদগী পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনা ঈ ৱাই সী চন্দ্রপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ লোইদ্রিঙৈদা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা সী কে সী (বি) চীংদোং লৈকাইগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ঈ ৱাই সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা এল ঈ সী বাবুপারা অমসুং য়াওল ক্লব চম্পানগরগা শান্নখি।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা য়াওল ক্লব চম্পানগরনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু য়াওল ক্লবনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা সী কে সী (এ) অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব (এ) লম্বা তৌনগনি।

গোৱানা ইষ্ট বেঙ্গল থোইখ্রে

মারগাউ, মার্চ ০৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ওইনা ঙসি গোৱা অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা গোৱানা ইষ্ট বেঙ্গলবু মায়থীবা পীখ্রে।

গোৱাগী মারগাউদা লৈবা ফটোরদা ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা গোৱাগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু ইষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্স লিংবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ৪২শুবা মিনটতা গোৱাগী নোৱা সদাৱিনা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু গোৱানা পাঞ্জল ১-০দা থোইখিবনি।

[illegible]

[illegible]

[illegible] / ANNUAL GB MEETING

লাক্লিবা Dt. 22-3-2024 ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১.৩০ তাবদা All Manipur Water Resources Department Employees & Workers Organisation গী Annual GB Meeting অমা PWD Complex, Khoyathong দা লৈবা Organisation অসিগী ওফিসতা পাঙথোকচরগনি। মরী লৈনবা কর্ম্মচারিশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা মীটিং অসিদা শরুক য়াবীয়ু।

Agenda :-
1) Account Statement
2) Annual Report
3) Election of Office Bearer
4) Revision of Minimum rate of wages, VDA etc.

Sd/- **L. Bimolchandra Singh**
General Secretary,
All Manipur WRD Employees & Workers Organisation

HL-P/9875/7

অনীশুবা থোকচোম ইবোপিশক মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

ৱাই এস দব্লিয়ু এনা লাশাল থোইখ্রে কে ৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সী অমসুং এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা অনীরকশুবা থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেল) মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা য়ুথ সোসল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (ৱাই এস দব্লিয়ু এ)না লৈমপোকপম অপূনবা শান্নরোয় লূপ (লাশাল) মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা খুনফম য়ুথ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন এন্দ সোসল ৱেলফেয়র সেন্টর (কে ৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সী) অমসুং নুংশাই চিরু য়ুথ ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও) দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদগী হৌরগা ৱাই এস দব্লিয়ু এ অমসুং লাশালগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্কা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫২ অমসুং ৭৬ শুবা মিনটতা ৱাই এস দব্লিয়ু এগী দিফেন্দর ওইনাম রোশন অমসুং ফোরৱার্দ রাজকুমার লনচেনবনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক লাশালগী মায়কৈদগী মেটচ লোইবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু ৱাই এস দব্লিয়ু এনা পাঞ্জল ২দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, লীগ অসিগী ওইনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা কে ৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সী অমদি এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।

কেৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সীগী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ৪৮ অমসুং ৬২ শুবা মিনটতা মিদফিল্ডর কৈশাম জোন্সননা চনখিবনি। অদুগা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ওগী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ১২ অমসুং ২৮ শুবা মিনটতা দিফেন্দর লুংৱারদম থাংঙা অমসুং মিদফিল্ডর আর আর সলমান রুমুননা অমমম্ চনবা ঙমখিবনি।

প্রসিদেন্ট কল্যান চৌবেনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

চেন্নাই, মার্চ ০৬ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী প্রসিদেন্ট কল্যান চৌবেনা শেঞ্জা-থুমজাগী থবক কা-হেন্না চথরে হায়না শীরকখিবা মরাল অদুবু চৌবেনা ঙসি য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা মহাক্কী মতাংদা অরানবা পাউশিং শন্দোক্তুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা, লোক সভা মীখল অমসুং এ আই এফ এফকী এন্যুএল জেনরেল মীটিংদা মহাকপু মীওই খরনা লৌতুনরগা প্রসিদেন্ট ফমদগী লৌথোক্লবগীদমক মহাক্কী মথক্তা য়ূম্ফম য়াওদবা মরালশিং শীরকখিবনি। মহাক্লা টুর্নামেন্টকী ব্রোদকাষ্টিংগী মতাংদা অখন্নবা কম্পেনি অমখক্তদা টেন্দর পীখি হায়না এ আই এফ এফকী প্রিন্সিপাল লিগেল হেদ নিলঞ্জন ভট্টচার্জিনা মরাল শীরক্লিবা ৱাফম অদুগী খূদম পুথোকপা ঙম্লবদি মহাক প্রসিদেন্ট ফমদগী পোত্থাগে।

ফুটসাল, সন্তোশ ট্রোফি অমসুং হিরো আই দব্লিয়ু এলগী টেন্দর সেলেক্সন কম্মিটিদা নিলঞ্জন মশাসু মেম্বর ওইনা য়াওখিবনি। মতমদুদা নিলঞ্জননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈখিদে। অদুমওইনমক হৌজিক ফোঙদোরক্লিবা অসি মশাগী ওইজবা থিবনি হায়খি।

[illegible]

[illegible]

Government of Manipur
Secretariat : Planning Department
[illegible] / NOTIFICATION

Imphal, the 6th of March,2024

No. PLG1-201/6/2022-PLG-PLANNIG:- In continuation to this Government notification No.-PLGI-201/6/2022-PLG-PLANNING dated 12th of February 2024 and with reference to District Employment Exchange, Imphal East, Manipur notice no. SV/1/1/88 dated 16th February 2024. Planning Department, Government of Manipur, hereby extend the last date of online submission of form for the post of **Research Assistant, Research Investigator and LDC** of planning department till 15th march, 2024(Friday)

Sd/- **N. Kulkarani Devi**
Director(Plg)

HL-B/8608/7

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR, IMPHAL

No.MU/9-1/1/21(C)
Date: 06-03-2024

[illegible] / NOTIFICATION

In continuation of this notification dated 16-01-2024, the programme for the BA/BSc (Mathematics) 3rd Semester Examination, 2023 (Nov.) (Old/Back) is rescheduled as under:

Date & Day	1:00 pm to 4:00 pm
19-03-2024 *Tuesday*	Mathematics (303)

Sd/- **Prof. Ng. Nimai Singh,**
Controller of Examination (i/c)

HL-B/8606/7

৩শুবা খেলো ইন্দিয়া নেসনল

মংলেমসনানা গোল্ড লৌরে

SAI
NTPC
3rd Khelo India
National Ranking Women Archery Tournament
1st Place
KHELO INDIA
ASMITA

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):
থা অসিগী ৪দগী হৌরগা ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া নেসনলগী শরুক অমা ওইনা রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা লৈবা মহারাজ কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা রানকিং ৱিমেন্স আর্চরি টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী কে এস ঐচ মংলেমসনানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ৭ ফাওবা চথগদৌরিবা আর্চরি টুর্নামেন্ট অসিগী সিনিয়র কম্পাউন্দ ৱিমেনগী ইন্দিভিজ্যুএলদা মণিপুরগী কে এস ঐচ মংলেমসনানা পুন্না পোইন্ট ১৪৫ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা পঞ্জাবকী রাজকোরনা পোইন্ট ১৩৯ ফংলগা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি গোল্ড মেদল লৌখ্রবা কে এস ঐচ মংলেমসনা বোম্বেলা আর্চরি একাদেমিগী শান্নরোয়নি।

এস এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু সী এফ এ)গী মীৎয়েং মখাদা তৌবুংখোক্তা লৈবা বি এম এস সী গ্রাউন্দদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা ২৩শুবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৪গী ওইনা ঙসি এস এফ সী অমসুং সী ঐচ আই কে এলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এস এফ সীনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবদসু নাকল অনীমক্লা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৬৭শুবা মিনটতা এস এফ সীনা খঙহৌদনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী জেটলি বোরানা হৈন-শিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এস এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

No. VY/66/HA/2018-Vety (Pt I)
GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETERINARY AND A.H. SERVICES, MANIPUR

[illegible] / NOTIFICATION

Imphal, the 27th February, 2024

In pursuance of Govt. Convey letter No. ADMV-102/4/2021-Vety-VETY& A.H. dated 20th February, 2024 and as approved by the State Cabinet in its meeting held on 15/01/2024 with the concurrence of DP vide U.O. No. 274/2023-2024/DP, dated 12/02/2024, the recruitment of 162 Regular posts (Recruitment Test held on 31.10.2021 vide Notification No. VY/66/HA/2018-Vety (Pt) dated 20.01.2021) and 133 Contractual posts (Recruitment Test held on 11/12/2021 and 12/12/2021 vide Notification No. VY/66/HA/2018-Vety (Pt) dated 10.11.2021 and 18.11.2021) of Grade-III and Grade-IV of Veterinary & A.H. Department, Manipur hereby stands cancelled.

A fresh recruitment exam will be held for the aforementioned posts with the following terms and conditions:

a) All the candidates who had appeared in the previous examinations shall be waived from paying the examination fee while submitting the application form in the fresh recruitment exam to be conducted.

b) Upper age limit for the candidates of all categories who had appeared in the previous examinations shall be relaxed by exempting upper age limit criteria and shall be allowed to appear in the fresh examination.

c) Examination shall be open to all eligible candidates irrespective of whether one had appeared in the earlier examinations or not.

d) Further Notifications for the fresh examinations to be conducted will be issued shortly.

Sd/- Ng. Ibotombi Singh
Director, Veterinary & A.H. Services,
Manipur

HL-B/8607/7&8